# অরেপ্পা পান্দমদি ইন্দিয়াগী সেনিয়র হোক্কি টিমদা শরুক য়াবনি: থৌদাম সুমন

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিমগী কেপ্তেন ওইরিবী থৌদাম সুমননা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী অরেপ্পা পান্দমদি সেনিয়র টিমদা শরুক য়াবনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০১৯দা পাঙথোকখিবা চহী ২১ মখাগী ওইবা লৈবাক অহুমগী হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



থৌদাম সুমননা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অসি ইন্টরনেসনল এক্সপোজর কয়া অমা ফংখিবা অদুনা মরম ওইরগা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী অহেনবা থাক্তা শান্নবা ঙম্লে । মখা তানা মীরমগী টিমশিংগা তোয়না শান্নবা ঙম্লবদি অমুক্কা হেন্না ফজবা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্লি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জুনিয়র থাক্তা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অসিগীদমক্তা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসি থাগৎনিঙাইনি। ইন্টরনেসনল এক্সপোজর হেন্না ফংহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি। মসিনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অহেনবা পাঙ্গল কয়া অমসু পীরি হায়না হৌজিক হৌজিক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোক্লিবা নেসনল কেম্পতা শরুক য়ারিবী থৌদাম সুমননা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মালেমগী হোক্কি মশান্নদা মমিং লৈরবা লৈবাক অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগুম্বা লৈবাক্কা শান্নবদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমগী শান্নরোয়শিংদা হান্না লৈরম্বা পাঙ্গল অমসুং থৌনা অদু হেনগৎপা ঙম্মী। মদুনা তুংদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা শান্নবদা য়াম্না চাওনা কান্নবা ফংবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমদা শরুক য়ানবা হোৎনবা হায়বসিনা জুনিয়র শান্নরোয়শিংগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিম অসিগী ওইনা অফবা শান্নরোয়শিংগী পুল অমা লৈরি। মদুগী মরক্তা চঙশিনবা হায়বসি য়াম্না লায়বা অমদি ওইদ্রি। অদুবু জুনিয়র শান্নরোয় অমনা য়াম্না ফজনা মহাক্কী পোজিসন অদুদা শান্নদুনা অমদি লেপ্পা লৈতনা শান্নরকপা মেচ খুদিংমক্তা ফজবা ঙম্লবদি হোক্কি ইন্দিয়াগী সেলেক্টরশিংনা মীৎয়েং চঙলক্কুনা সেনিয়র টিমদা য়াওননবা কৌখৎলকপগী তাঞ্জা অমদি ফংগনি হায়না সুমননা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউন লৈখিবা মরম্না থা ৬ লোম প্রেক্টিস তৌবা ঙমখিদবা অদুনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা হান্না লৈরম্বা ফোর্ম অদু লাকপদা মতম খরা চঙখিগনি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম্না চাওনা শেম শারিবা অসি জুনিয়র ৱুমেন এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকীদমক শেম শাবা অসিনা মরু ওইরি।

# ডা. টি এলেক্সনা গার্মিন সেঞ্চুরি চেলেঞ্জ মপূং ফাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা তাওরাংবম প্রেমচান্দগী মচানুপা ডা. তাওরাংবম এলেক্সনা নুমীৎ ১০০নিগী ওইবা গার্মিন সেঞ্চুরি চেলেঞ্জকী নুমীৎ খুদিংগী সাইকল থৌবগী ইভেন্ট মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে।

এলেক্সনা চহী অসিগী জুলাই ১৯দগী গার্মিন সেঞ্চুরি চেলেঞ্জ অদু শরুক য়াখিবনি। অদুগা ঙসি ওক্টোবর ২৬ ফাওবদা কিলোমিটর ৫৭০০গী লমশাং সাইকল থৌদুনা গার্মিন সেঞ্চুরি চেলেঞ্জ মপূং ফাহনখিবনি।

এলেক্স ইন্দিয়াগী ওইবা সাইকল রাইদর ৩৫১১গী মনুংদা চেলেঞ্জ অসি মপূং ফানা য়ৌবা ঙমখিবা সাইক্লিষ্ট ৩৫গী মনুংদা অমা ওইরিবনি। মসিদসু নৎতনা মহাক্না মকোক থোংবা চেলেঞ্জ অসিগী সাইক্লিষ্ট ১০গী মনুং চনবা ঙমখি। এলেক্সকী পর্ফোর্মেন্স অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা সাইক্লিষ্টশিংগী ওইবা অনৌবা থৌনা অমা শুংশোয় শোয়দনা পীরগনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। চেলেঞ্জ মনুংদা মহাক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদসু নেগেটিভ ওইখি।

# নাওরেম তোন্দোনবা মুম্বাই সিটি এফ সীগা চহী ২গী ওইবা কন্ট্রেক্ট খূৎয়েক পীখ্রে

মুম্বাই, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা মুম্বাই এফ সী ক্লবকা মণিপুর মচা নাওরেম তোন্দোনবগা চহী ২গী ওইবা কন্ট্রেক্ট খূৎয়েক পীনখ্রে।

মশাগী চহী ২৫শুরবা তোন্দোনবনা চহী অসিগী নবেম্বর থাদগী গোৱানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নগদৌরিবনি।

তোন্দোনবা মহাক্কী ফুটবোল করিয়রগী হৌরকপদা আই লীগতা শান্নবা ঙম্লিবা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সীদগী শান্নবা হৌখি। কুমজা ২০১৬-২০১৭দা নেরোকা এফ সীদা শান্নবা হৌদুনা আই লীগকী সেকেন্দ দিভিজনদা শরুক য়াখি। মদুদা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স ফজখিবা অদুনা মরম ওইরগা মখা তানা কুমজা ২০১৭-২০১৮দা নেরোকাগী মায়দৈগী আই লীগতা ক্লব অদুনা ক্বালিফাই ওইরকপদসু শরুক য়াবা ঙমখি।

মহাক নেরোকা এফ সীদা শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা মেঘলায়াগী শিল্লোং লাজোংদসু শান্নরমখি। অদুগা মণিপুরগী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব ক্লাসা এফ সীদসু শান্নবা য়াওরমখি।



নেরোকা এফ সীগী টিমদা নাওরেম তোন্দোনবনা পূন্না মেচ ১৩ দিফেন্দর অমা ওইনা শান্নরকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯দা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবতা মেচ অনী শান্নরম্লবা মতুং চেন্নাইন এফ সীদা অমুক শরুক য়াদুনা মেচ ২৬ শান্নবা ঙমখি।

চেন্নাইন এফ সীদগী তোন্দোনবা মুম্বাই এফ সীদা য়াওদুনা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ সিজন অসিদা শরুক য়ারকপা ঙমগদৌরিবনি। মহাক্কা মুম্বাই এফ সীগা চহী ২গী ওইবা কন্ট্রেক্ট খূৎয়েক পীনখিবনি।

তোন্দোনবগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, মুম্বাই এফ সীদা শান্নবা অসিনা মহাক্কী অনৌবা করিয়রগী খোঙথাং অমনি। মশামক আই এস এলগী সিজন অনী শরুক য়াবা ঙমখ্রবা মতুং মুম্বাই এফ সীদা নৌনা শরুক য়ারক্কুনা ক্লব অসিগী মায় পাক্লনবা মহাক্কী মায়কৈদগী অরৈবা থৌনা পুথোক্কুনা শান্নগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, মুম্বাই এফ সীগী হেদ কোচ ওইরিবা সর্জিও লোবেরানা ফোঙদোকখিবদা, টেলেন্ট লৈবা অমদি হোৎনবা লেপ্তবা নাওরেম তোন্দোনবনা ক্লব অসিদা শরুক য়ারক্কুনা হান্না লৈরিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী দিফেন্স লাইনদা অচৌবা পাঙ্গল অমা ওইরগনি হায়খি। মহাক্কী মশান্না অদুনা ক্লব অসিনা আই এস এলদা অতোপ্পা ক্লবশিংগা লম্বা তৌনবদা চাওনা কান্নবা ফংলগনি হায়খি।

# লেষ্টর সিটিনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা থাক্তা হাইগৎখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লেষ্টর সিটিনা অর্সনেলবু লীগ অসিগী পুৱারীদা চহী ৪৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

অর্সনেল ফুটবোল ক্লবনা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৬শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা অহানবা হাফ লম্বা তৌনরকপদা নাকল অনীমক পাঙ্গল মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

নীংশিংবা য়াই, লেষ্টর সিটি টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং মেচ ৫দা মেচ ৩ মায় পাক্লগা অনী মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা অর্সনেলগী টিম মমাংগী মেচ ৫ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া অমা চথুনখ্রবসু পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবদি ফংখিদে। শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা মিনট ১০ ৱাংলিঙৈ লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা সেঙ্গিজ অন্দরনা ফংখিবা বোল অমা মতাং মতম চানা ইন্থোরকখিবদা টিমমেট জেমি বর্লিনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা হেদিং তৌরগা অর্সনেলগী মায়কৈদা মখোয়না অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

লেষ্টর সিটি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল অমুকরক লৌবা ঙমখ্রবনি। অদুবু মখোয়না অর্সনেল ফুটবোল ক্লবপু মায়থীবা পীবা ঙমদবা চহী ৪৭ শুখ্রবনি। ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদুদা লেষ্টর সিটিনা ৮০শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অর্সনেলবু মায়থীবা পীবগী পাঞ্জল অদু ওইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা প্রেমিয়র লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থারিবা এবর্টন ফুটবোল ক্লবপু সাউথমটননা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। মায়থীবা নংখ্রবসু এবর্টন ফুটবোল ক্লব প্রেমিয়র লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেচ ৬ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা মেচ ১ ঙরাং মায়থীখিবা অদু থারগা অতোপ্পা মেচ অমা দ্রো চৎলগা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফংদুনা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবকা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না হেনবদগী মাংজিল থাদুনা লৈরি। এবর্টনবু থোইরম্বা সাউথমটন হান্না পোইন্ট ৭ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী পোইন্ট ১০ ফংদুনা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। অতোপ্পা মেচ অমদা ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদ অমসুং ৱোলভরহেম্টন ৱান্দরর্স পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

# সেরি এদা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন য়ুভেন্টস অমসুং হেল্লাস ভেরোনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে



রোম, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইটলিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী সিজনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লব অমসুং হেল্লাস ভেরোনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা অলিয়ান্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদু হৌবদগী টিম অনীমক লম্বা মান্নদুনা লাকখি। পনবা য়াবদি, য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবকী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা পোর্টুগল মচা মালেমগী ফুটবোলদা মশক খঙনরবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো হৌখিবা চয়োল অনীগী মমাংদা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ শান্নরিঙৈ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবা মরম্না ঙরাংগী মেচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

য়ুভেন্টস অমসুং হেল্লাস ভেরোনাগী লম্বা অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনবা ঙমখিদে। পনবা য়াবদি, য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লব মমাংগী সিজনদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবসু হন্দক্কী সিজন অসিদা কা-হেন্না ফজবা ঙমদ্রি। মখোয়না মমাংগী মেচ ৪ শান্নখিবদা মেচ অনীখক মায় পাক্লগা মেচ ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা হেল্লাস ভেরোনাসু মখোয়গী মেচ ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা অনী মায় পাক্লগা মেচ অমা মায়থীরগা মেচ ১ দ্রো চৎখিবনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৭ ফংদুনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু হেল্লাস ভেরোনাগী মায়কৈদগী এন্দ্রিয়া ফাবিলিনা মেচকী ৬০শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু টিমমেট মাটিয়া জকানিনা পীরকপা বোল অমদগী ওইখিবনি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্কুনা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী অলভারো মোরাটানা পীরকপা বোল অমদা দেজান কুলুসেভস্কিনা চনবা ঙমখিবনি। মেচকী লেমহৌরিবা মিনট খরা অদুদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী ১-১দা দ্রো চৎতুনা য়ুভেন্টস পোইন্ট ৯ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। অমরোমদা, হেল্লাস ভেরোনাসু ৯শুবদা লৈরম্বদগী ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এস এস সী নাপোলিনা বেনেভেন্টোবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্লব অদুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎখি।

# সলাই তরেৎ হুয়েল লালোং থাঙ-তা কনবা লূপনসু ‘থাঙ-তা দে’ থৌরম পাঙথাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচএনএস):
‘থাঙ-তা দে’ ওবজর্ভেসন কম্মিটিনা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা লাক্কদৌরিবা নবেম্বর ১৫ ফাওবা থাবুম অমা চঙনা চথুগদবা ‘থাঙ-তাগী নুমীৎ’ থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ১১নি চনবা নুমীৎ অসিদা ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা সলাই তরেৎ হুয়েল লালোং থাঙ-তা কনবা লূপ, সগোলবন্দ মোইরাং হনুবা, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা শীন্দম শঙ অসিগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিং শীৎ-শেংবা অমসুং মহৈরোয়শিংনা লাইওইখ্রবা থাঙ-তাগী ওজাশিংগী মমিদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি হায়না থাঙ-তা ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কনভিনর লাইশ্রম সাইত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা মহৈরোয়শিংনা ঙসি মীয়াম্না লাম্থেংনরিবা তমথীরবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসিবু লাম্থেংনবা ঙম্নবা চথুরকপা তোঙান-তোঙানবা থাঙ-তাগী হকশেল কাঙলোনগী শরুক অমা ওইরিবা হকচাং ফনা লৈনবা হকচাং শাজেলসু শান্নখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন (এস ও পি) ঙাক্লা ‘থাঙ-তা ফোর হেল্থি নেসন’ হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরম অদুদা শীন্দম অসিগী শীন্তাকপুরেলনা মহৈরোয়শিংদা ইশা-ইউ ফনা, নাদ-য়েক্কনা লৈগে হায়রবদি ঙসি ঐখোয়না শান্নরিবা থাঙ-তাগী মনুংদা য়াওরিবা হকচাং শাজেলশিং অসি নুংতিগী চাং নাইনা ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইনা লেপ্পা নাইদনা হৌনরুবা তৌদনা শান্নমিন্নরবা মতম অসিদতা মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎপা ঙমগনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু অসিগুম্লবা ইপা-ইপূশিংনা থন্বীরম্লবা কুপ্লবা মহৈ-কাঙলোনশিং অমুক নৌহৌননা ঙসিদি নীংশিংবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখি।

# কিংস ইলেভেন পঞ্জাবনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু ৪৬শুবা লীগ মেচতা ৱিকেট ৮দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে

সর্জা, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি সর্জা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৪৬শুবা মেচতা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু চাওনা ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস কিংস ইলেভেন পঞ্জাবনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১৪৯ লৌবা ঙমখি।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। ওপনর নিটিশ রানা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা ট্রিপাথি রন ৭ তা আউট ওইখ্রবা মতুং মহুৎ শিনখিবা দিনেশ কার্থিকসু রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ওপনর সুবমান গিল অমসুং মঙাশুবা বেটচমেন ইয়োন মোর্গাননা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৮১ হাপচিনবা ঙমখি। মোর্গান বোল ২৫দা রন ৪০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। অতোপ্পা মখা তারকপা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদে। ওপনর সুবমান গিল ১৯শুবা ওভরদা বোল ৪৫দা রন ৫৭ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা রন ১৫০ অদু ১৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট অনীখক আউট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু মখোয়না কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৮দা থোইখিবনি।



ওপনর কে এল রাহুল অমসুং মনদীপ সিংহনা ওভর ৮ শান্নমিন্নরকপদা রন ৪৭ লৌবা ঙমখি। রাহুল বোল ২৫দা রন ২৮ লৌরম্লগা আউট তাখি। মদুগী মতুং খৃস গেল চঙলক্কুনা মন্দিপ সিংহগা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক্তা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী বোলরশিংবু মায়োক্লখি। মখোয় অনীগী অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা রন ১০০ হাপচিনবা ঙমখি। ইন্নিংসকী ১৯শুবা ওভর য়ৌরকপদা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী রন ১৪৭ শুখি। খৃস গেল বোল ২৯দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ২ য়ৈরম্লগা রন ৫১দা আউট ওইখি। ওপনর মন্দিপ আউট ওইদনা বোল ৫৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৬৬তা লৈদুনা মেচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৮দা থোইখি।

হয়েং দিল্লি কেপিটেলস অমসুং সনরাইজর্স হায়দরবাদ শান্নগনি।

## সর্জাদা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ শান্নরগনি

মুম্বাই, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দনা ঙরাং অথেংবদা লৌখিবা ৱারেপ অমদা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মথং থাগী ৪দগী য়ু এ ঈগী সিটি সর্জাদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

টিম ২না লম্বা তৌনগদৌরিবা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু সর্জাগী ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মেচ মরিমক শান্নগদৌরি। অহানবা মেচ অদু সুপরনোভাস টিমগা ভেলোসিটি টিমগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। অহৌবা মেচ অদু নবেম্বর ৪গী নুমিদাংৱাইরমদা শান্নরগা থংনবা নুমীৎতা টিম অনীনা অমুক্কা হন্না নুংথিলগী মতমদা শান্নগনি।

নবেম্বর ৭তা অহুমশুবা মেচ নুমিদাংৱাইরমদা শান্নরবা মতুং ফাইনেল মেচ অদুনা নবেম্বর ৯দা নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ দগী শান্নবা হৌগদৌরি। শান্নরোয় পূম্নমক দুবাই য়ৌদুনা ট্রেনিং চথুবা হৌরগনি।

# সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট বোর্দকী মেম্বর পূম্নমক রিজাইন তৌখ্রে

কেপ টাউন, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকা লৈবাক্কী ক্রিকেট মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকাগী বোর্দ মেম্বর পূম্নমক রিজাইন তৌখ্রে।

গভর্নিং বোদি অদুগী মনুংদা মেনেজমেন্ট শোয়বদগী চয়েৎনবা কয়া লাকখিবা অদু লৈঙাক্লা পীরকপা অকক্লবা মতম অদু ৱাৎলিঙৈদা প্রসিদেন্টগী ফম ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুখিবা অমদি অতোপ্পা মেম্বর খরা নোংমাইজিং নুমীৎতা রিজাইন তৌখ্রবা মতুং গভর্নিং বোদি অসিগী লেমহৌরিবা বোর্দ মেম্বর পূম্নমক ঙসি রিজাইন তৌখিবনি।

ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা, মমিংগী ওইনা মেম্বর অহুমখক্তং টেম্পররি ওইনা বোদি অদুগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা লৈহৌবা অদু নৎতনা অতোপ্পা মেম্বর পূম্নমক রিজাইন তৌখিবনি। হৌজিক্কী ওইনা সাউথ অফ্রিকা ক্রিকেট বোর্দকী লৈরিবা ফীভম অসিদা অথুবা মতমদা মেম্বরশিং খনবা নৎত্রগা থবক্তগী রিজাইন তৌখ্রবা মেম্বরশিং কৌখৎলগা থবক থৌরমশিং পায়খৎকদ্রা হায়বগী তংদাংবা অমা খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াই, ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকানা ওগষ্ট থাদা বোর্দ অদুগী সী ঈ ওবু থবক থৌরমশিংদা অশোয়বা লাকপদগী থবক লৌথোকখিবনি। মদুগী মতুং লৈবাক অদুগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মীৎয়েং চঙশিল্লকপদগী এক্টিং প্রসিদেন্ট য়াওনা মেম্বরশিং রিজাইন তৌখিবনি।

# অরিনা সবালেনকানা ওষ্ট্রাভা ওপন টাইটল লৌবা ঙমখ্রে, অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা কোলোন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ফংখ্রে

বর্লিন, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
জেক রিপব্লিককী সিটি ওষ্ট্রাভাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স টেনিস এসোসিএসনগী মনুং চনবা ওষ্ট্রাভা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা অরিনা সবালেনকানা টাইটল লৌখ্রে। অদুগা জর্মনিগী সিটি কোলোনদা পাঙথোকপা নুপাগী এ টি পি টুরগী মনুং চনবা কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপকী টাইটল অদুনা অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ফংখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ওষ্ট্রাভা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদু বেলারসকী শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌনখি। টুর্নামেন্ট অদুগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাগা অহুমশুবা সিদেদ ওইখিবী অরিনা সবালেনকাগা লম্বা তৌনবদা সবালেনকানা ফজবা হেনখিবদগী ফাইনেল মেচ অদুদা ষ্ট্রেট সেট অনীমক্তা মহাক্না অজারেনকাবু থোইখি। অহানবা সেট অদুদা সবালেনকানা অজারেনকাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুসু চপ মান্নবা মওংদা ৬-২দা থোইরগা টাইটল অদু লৌখি।





অমরোমদা জর্মনিগী কোলোন সিটিদা পাঙথোকপা নুপাগী টেনিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেচতা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দিএগো স্বারমেনগা লম্বা তৌনখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা স্বারমেনগী সর্ভিস গেম অনী জ্বেরেবনা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় স্বারমেনগী মায়কৈদগী জ্বেরেবনা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী গেম ১-৬তা মায়থীদুনা ফাইনেল মেচ অদু জ্বেরেবনা ৬-২, ৬-১দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। পনবা য়াবদি, ঙরাংগী টাইটল অদু থারগা জ্বেরেবকী করিয়রদা এ টি পি টাইটল ১৩রকশুবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি। মহাক চহী অসিগী য়ু এস ওপনগী ফাইনেলসু য়ৌবা ঙমখি।

# ফোরেন কোচশিংদা অহেনবা থাজবা থম্মিংদে : সুব্রটা ভট্টচার্য্য

কোলকাটা, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অহোংবা কয়া লাক্কুনা অফবা শান্নরোয় কয়া অমসু পুথোকপা ঙম্লি। অদুবু লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংনা ফোরেন কোচশিংদা হেন্না থাজবা থম্বগী অপাম্বা অদুদি লৈহন্নিংদে হায়না শান্নরোয় অমসু ওইরম্লবা অদুগা কোচ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সুব্রটা ভট্টচার্য্যনা ফোঙদোরকখ্রে।

কোলকাটাদা মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা মতম অমদা দিফেন্দরগী পোজিসনদা শান্নরম্বা অদুগা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী কোচকী থৌদাংসু লৌবা ঙমখ্রবা সুব্রটা ভট্টচার্য্যনা ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা ক্লবশিংনা ফোরেনগী কোচশিংদা হেন্না থাজবা থম্লিবা অসি মহাক্কী মায়কৈদগীদি পামদে হায়খিবনি। মহাক্না কোচ ওইনা থৌ পুরিঙৈদা মহাক্কী ক্লব অদুনা ফোরেনগী কোচনা লমজিং-লমতাকপা ক্লবশিংবু মায়থীবা পীবা কয়া য়াওখি।

ভট্টচার্য্যনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমদি কোচসু ওইরম্লবা পি কে বেনর্জী অমসুং অমল দত্তনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল চাউখৎহন্ননবা হোৎনবদা লৌরমখিবা থৌদাংশিং অদু কাউথোকপা য়ারোই। লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোচশিংগী মায়কৈদা থাজবা থমদুনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com